HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



মণিপুরগী ফেজ অনীগী মীখলশিংগীদমক লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং হকথেংননা য়েংশিনবা লাকখিবা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর সুসিলচন্দ্র অমসুং মহাক্কী ওফিসলশিংবু সী ঈ ও মণিপুর রাজেস অগ্রৱালনা এয়রপোর্টতা ওকখিবা

‘সী পি আইদগী তোকখিবশিং পার্টি ওফিসতা খঙহল্লকপা লৈত্রি’ ☛ লামায় ২

অনৌবা কেস ১৪৮ থেংনখি, মীওই ৩ লৈখিদে ☛ লামায় ৩

আইকোনিক ৱীক পাঙথোকখ্রে ☛ লামায় ৪

ওনলাইন কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে ☛ লামায় ৬

ঙাইরাংবমদা পাঙথোকখিবা পাখংবা ড্রামা কম্পিটিসন, ২০২২দা শরুক য়াখিবা সলুংফমগী এস এস কে এগী প্লে ‘কথোকপা’ দা অহুমশুবা বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনা ফংলকখ্রবী নিরমলা থাংজমদা সর্টিফিকেট খৃৎশিন্নবা




Vol. 45, Issue No. 311 | লৈবাকপোকপা, ফাইরেনগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, February 08, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

GET READY
To vote ethically and promote free and fair elections
Chief Electoral Officer, Manipur

# বি জে পিগী মোদি ১সুং মিনিষ্টরশিংনা অরানবা প্রোপেগন্দা শন্দোক্লক্সা নত্তনা করি অহোংবা পুরকখ্রবগে ঃ ওক্রম ইবোবী

### কোংগ্রেস অমসুং লেফ্ট পার্টিশিংগী অপূনবা এম এস পি এনা পূন্না শরুক য়াদুনা ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইরিবা মোইরাংথেম হেমন্তগী ফিরাল চিংখৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ (ঐচএনএস) : লৈবাকসিদা পাল্লিবা মোদিগী লৈঙাক অসি অনীশুবা টর্মগীনি অমসুং চহী অনী ফাজিল্লক্লবনি অদুগা মণিপুরদা পাল্লিবা বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা চহী ৫ মপূং ফারক্লবনি। অদুবু সেন্টরগী মিনিষ্টরশিংদি চয়োল খুদিংগী লাক্লি। অদুম ওইনমক মণিপুরগী মীয়ামদা অরানবা প্রোপেগন্দা শন্দোক্লক্সা নত্তনা হৌখিবা চহী মঙা অসিদা মণিপুরদা করি অহোংবা পুরক্লবগে হায়না কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কোংগ্রেস য়াওনা পোলিটিকেল পার্টি তরক্কী অপূনবা এলাইএন্স অমা ওইরিবা মণিপুর প্রোগ্রেসিভ সেক্যুলর এলাইএন্স (এম পি এস এ) গী ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা মোইরাংথেম হেমন্তগী তেন্থা খোংবান্দা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখিবা মহাক্কী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা ওক্রম ইবোবীনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদা মোদি লাকপা অমদি সেন্টরগী অতৈ মিনিষ্টরশিংনা চয়োল খুদিংগী লাক্লগা মীয়ামদা হায়জিল্লম্বা, অরানবা প্রোপেগন্দা শন্দোক্লম্বা নত্তনা করি করম্বা প্রোজেক্ট পুরকখ্রবগে হায়রদুনা মখোয়না মণিপুর মীয়ামদা মকোক ঙাওহল্লম্বা ঙাক্তনি হায়খি।

সেন্টরদসু বি জে পিনা লৈঙাক পায়রি, মণিপুরদসু পায়রি। মসিবু দবল ইঞ্জিননি, মীয়াম অসি ইঞ্জিন অনীনা চাওখৎ মায়কৈদা চিংখৎলিবনি হায়দুনা মীয়ামদা অরানবা ঙাঙলি। ঙসিদি ইঞ্জিন অনীনা মণিপুরবু চাওখৎ লম্বেলদা মনিংলোমদা চিংথদুনা লৈরে হায়খি। অমুক্তং মীয়াম্বু অফবা চাওখৎপা মায়কৈদা চিংখৎনবা মণিপুর প্রোগ্রেসিভ সেক্যুলর এলাইএন্সকী মীহুৎশিং মীয়াম্না থাগৎপীরকউ হায়খি।

ওক্রম ইবোবীনা ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা এম এল পাওনম ব্রোজেনবু চৈরদুনা হায়, চোঙথোক চোঙশিন তৌদুনা লৈরিবা বি জে পিগী এম এল এ অসিনা ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা মীয়ামগী করি অহোংবা পুরক্লবগে। এম এল এ অসিনা এ সী অসিগী মীয়াম্বু অপংবনি খনবগী থবক অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মরম অদুনা মীয়াম্না মুন্না খনবীরগা এ সী অসিদা করম্বা মীহুৎ থাগৎলগা ফগদগে হায়বদু মীয়াম্না লেপ্পীরো। মমাঙদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২



## চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর থুংলরে, পোলিটিকেল পার্টিশিংগা উন্নখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): থা অসিগী ২৭ অমসুং মথং থাগী ৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগীদমক পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর সুসিলচন্দ্রনা লুচিংবা টিম অমা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

টিম অসিদা ইলেক্সন কম্মিস্নরশিং - রজিব কুমার, অনুপচন্দ্র পান্দে অমসুং কম্মিসনগী সিনিয়র ওফিসলশিং য়াওরকখি। ঈ সী আইগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নরনা লুচিংবা টিম অসিনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুর রাজেস অগ্রৱালনা লুচিংবা মহাক্কী ওফিসলশিংনা তরাম্না ওকখি।

ঙসি চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা অহানবা ওইনা থুংলবগা পন্থদনা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী মীখলদা শরুক য়াগদৌরিবা নেসনল অমসুং ষ্টেটকী রিকগনাইজ পোলিটিকেল পার্টিশিং, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরশিং অমসুং পুলিসকী এস পিশিংগা চীংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা উন্নখি।

ঈ সী আইগী টিমনা পোলিটিকেল পার্টিশিং, দি ঈ ও অমসুং এস পিশিংগা উন্নরবা মতুংদা পাঙথোল্লগদবা মীখল অসিগীদমক লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা সী ঈ ও অমসুং এস পি এন ওগী মায়কৈদগী মরীক চুম্বা প্রজেন্টেসন অমসু থমখি। চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নরনা মীখল অসিগা মরী লৈননা ভোট থাদগদৌরিবা মীয়াম/ কেন্দিদেটশিং অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ৬




### লৈঙাক থুগাইনবা হোৎনরগা টিকেট ফংদে হায়দুনা শাওরিবসি অঙকপনি

# ঙক য়োন্দনা সেনাপতি ফংলোই: বিরেন




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচ এন এস) : ঙক য়োন্দনা সেনাপতি ফংবা য়ারোই, বি জে পি লৈঙাক থুগাইনবা হোৎনরম্বশিংনা টিকেট ফংদে হায়বসি অঙকপনি অমসুং মখোয়দা করিগীদমক পার্টিগী টিকেট পীগদৌরিবনো হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি শগোলবন্দ এ সীদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইরিবা আর কে ইমোগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম লোইরগা শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, ঙক য়োন্দনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

### চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবা নহা ১ চহী ২০গী ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): স্পেসল জজ (পোক্সো) থৌবাল বিনি ঙাঙোমগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমনা মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবা নহা অমা চহী ২০গী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশীং ৫সু ফাইন থিননবা খঙহনখ্রে।

থা অসিগী ৫দা কোর্ট অসিদা পাঙথোকখিবা সেন্টেন্স হিয়ারিংগী মতুংইন্না চহী নৌরিবা নহা অসিবু চহী ২০গী ফাদোক পীবগা লোয়ননা ফাইনগী শেনফম অসি পীননবা খঙহনখিবনি। কোর্টনা ফাদোক পীখ্রবা নহা অদুগী মমিং চৌধুরিময়ুম আনন্দ (২০) কৌই, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তেন্থা খুনৌ অৱাং লৈকায়দগীনি।

মহাক্কী মথক্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন্স পুলিস ষ্টেসনগী মমাঙ চহীগী মার্চ থাদা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

### নারেংবম সমরজিৎকী মেদিকেল কন্দিসন খঙদোক্লবা কোর্টনা মেদিকেল বোর্দ শেম্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ (ঐচএনএস): মণিপুরবু ইন্দিয়াদগী তোঙাল্লে অমসুং মণিপুরগী মিনিষ্টর অমা ওইনা খল্লে হায়না লন্দনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লাউথোক্লুবগীদমক অহানবদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলবা মতুংদা এন আই এদা শীন্নবদগী এজেন্সী অসিনা ফাগৎতুনা হৌজিক ফাওবা জেলদা থম্লক্লিবা তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দগী নারেংবম সমরজিৎ (৪৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জুগিন্দ্রোগী হেল্থ কন্দিসন খঙদোক্লবগীদমক ষ্টেট মেদিকেল বোর্দ অমা কন্সটিট্যুট তৌনবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ২৫.৮৭°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০২.০৮°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.২৮
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৫৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৪

HL Poll

Q: Karamba partyna khwaidagi masing yamna kagani haibasi vote masing thidringeida lepthokpa achumba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Health depttna Covid-19gi positive case amasung positivity meeyamda chumna khanghalli haiba chumgadra?

Yes 11% No 89%

অস! লোইরেহে!

- নুপা অসিগী ভাষন অসি কমদৌবগে?




- ঐ ঙাওবা ফদোকখ্রে!

## লোক আয়ুক্তনা এম এস পি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টর এন সরতপু মখা তানা ফম অসি পুহন্দনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচ এন এস) : ইম্ফালগী অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী গেট মনাক্কী দিরেক্টোরেট কমপ্লেক্সকী অহুমশুবা ফ্লোরদা লৈরিবা মণিপুর লোক আয়ুক্তদা চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়দগী থিয়াম নিরোস অপোকপা টি ঐচ নিংথেমজাওনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ২ ওফ ২০২০গী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর ঙসি লাউথোকখিবগা লোয়ননা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপিকারোংদা ইলেক্ট্রিক্টকী ২ x ১ এম ভি এ, ৩৩ কে ভি সব ষ্টেসন থম্বগা লোয়ননা মসিগী লাইন তিংনবগীদমক সেপ্টেম্বর ২৫, ২০০৯দা ৱার্ক ওর্দর পীখ্রবসু থবক অসিগী মতাংদা মওং মরীল তাদবগা লোয়ননা কমপ্লেন্ট কেস অসিগী প্রাইমাফেসি লৈরে হায়রদুনা কেস অসিগী মতাংদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি শ্রেভেটসনা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা খঙহনখ্রে।

লোয়ননা মণিপুর লোক আয়ুক্তগী মায়কৈদগী ঙসি পীখিবা কেস অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২ ওইরিবা এম এস পি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টর এন সরতনা থবকশিং অসিগী দোক্যুমেন্টশিং লোৎশিনবা অমসুং মাঙহনবদা নত্তনা মরু ওইবা দোক্যুমেন্টশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## ডা. লোকেন মীরেপ চে পীশিনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ২৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী অহানবা ফেজগী ভোট থাদনগদবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ২৮গী মনুংদা য়াওরিবা ১১- শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী মীরেপ ওইগদৌরিবা ডা. খ্বাইরাকপম লোকেন ঙসি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী রিটর্নিং ওফিসর (আর ও) ডা. এম দি ইমরান খানদা মীরেপ চে পীশিনখ্রে। মহাক্কী মীরেপ চে অদু প্রপোজর ১০না প্রপোজ তৌখিবনি। হয়েং মখা তানা মীরেপ চে অনী অমসু পীশিনখিগনি হায়রি।

ঙসি অহানবা ওইনা মরী লৈনবা আর ওদা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## মীরেপ চেশিং লেপ্তনা পীশিন্নরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ২৭ অমসুং মথং থাগী ৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগী তাঙ্কক অনীগী ইলেক্সন নোটিফিকেসনশিং থোকখিবগা লোয়ননা মীরেপ চে পীশিনবা য়াবগী মতম লৈরিবনা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা মীরেপ ওইগদবা কেন্দিদেটশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপ চেশিং মরী লৈনরিবা রিটর্নিং ওফিসরশিংদা পীশিন্নখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙসি মীরেপ চে পীশিন্নখিবশিংদি ১০- উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা এন পি পিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা য়ুম্নাম জয়কুমারনা আর ও নিংম্মি অজিংৱুংসি খামরংদা মহাক্কী মীরেপ চে পীশিনখি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা মীরেপ চে পীশিন্নরকখিবা অতোপ্পা কেন্দিদেটশিংনা বি জে পিগী খ্বাইরাকপম রঘুমনি, আই এন সীগী নুংলেপ্পম মহানন্দ অমসুং জে দি - য়ুগী খুম্বোংময়ুম সুরেসনি।

১৭ - লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী সোরোকখাইবম রাজেন, এন পি পিগী পুখ্রম্বম সুমতি, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অরাম্বম কমরজিৎ, জে দি - য়ুগী ডা. খুন্দ্রাকপম কনবনা মখোয় মখোয়গী মীরেপ চেশিং এ সী অসিগী আর ওদা পীশিনখি। ৯- থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদনা বি জে পিগী জোতিন ৱাইখোম অমসুং আই এন সীগী হিজম ন্যুতনচন্দ্রনা মখোয়গী মরেপ চেশিং পীশিনখি। ১৮ - কোন্থৌজম এসেমব্লি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN



● Minimum Down Payment
● No Guarantor required
● One Day Delivery

Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur

Pliz contact :-
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/7434/14 Jan to 14 Feb.

cVIGIL app
SCAN TO DOWNLOAD

Chief Electoral Officer Manipur

STOP
মীখলগা মরী লৈনবা অরানবা থবকশিং
হৌজিক অদোমগী পৱার লৈ




মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট কায়বা থবকশিং খুদক্কী ইভিদেন্সকা লোয়ননা রেকোর্দ তৌহৌরগা রিপোর্ট তৌ অমসুং অয়েৎ-অপন য়াওদনা অমদি চুম্না মীখিল পাঙথোকপদা মতেং পাংউ।
অদোম্না এপকী খূথাংদা শক খঙহন্দনা রিপোর্ট তৌবসু য়াই।

Fluorescence Communications Pvt. Ltd.

Chief Electoral Officer, Manipur
Visit us: www.ceomanipur.nic.in
Follow us:
NO VOTER TO BE LEFT BEHIND

HL-B/7459/08